# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা লম লৈবা য়োনবগী অনৌবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেসন প্রোসিজর (এস.ও.পি) অমা সরকারনা থোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুন্থবগী থবক চথবদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফারে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নরমালা সিতারমন্না হায়রি- হন্দক নৌনা শেমখিবা জি.এস.টি অসি মরুওইনা লৈবাক অসিগী টেক্স অমসুং রেভিন্যুগী সিষ্টেম লাইথোকহন্দুনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা পীনবনি।

------

লম (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লম লৈবা য়োনবগী অনৌবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেসন প্রোসিজর (এস.ও.পি) অমা সরকারনা থোকখ্রে। থৌরাং অসি হান্না লৈরিবা চৎন কাংলোন অদুগা লোয়ননা লম লৈবা য়োনবদা নিয়ম চুমা অমসুং ট্রান্সপরেন্সি লৈনা চথনবগী খোঙথাং অমনি। কনাগুম্বশিংনা লম লৈবা য়োনবা তৌবা মতমদা হায়রিবা চৎন কাংলোনশিং অসি মপুং ফানা ইনগদবনি হায়না রাজ্য সরকারগী লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী সেক্রেতরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লি। চৎন-কাংলোন অসিদা হায়রিবদি কনাগুম্বশিংনা লম লৈগে হায়রবদি মরী লৈনবা দি.সিদা মশাগী শক্তাকচে, ইনকম সার্তিফিকেট, পার্মেনেন্ট রেসিদেন্ট সার্তিফিকেট অমদি লম অদুগা মরী লৈনবা চে চাংশিং য়াওনা লম

লৈগদৌরিবা অমদি য়োনগদৌরিবা মীওই অনিমক্কী পান কার্দ, আধার অমদি পাসপোর্ট ফোটো পীশিনগদবনি। ইনকমগী পুলিস ভেরিফিকেসন তৌগদবনি।

অমরোমদা, ইন্দিজিনস পার্সন অমনা নোন-ইন্দিজিনস মীওই অমদা লম ত্রান্সফর তৌবা মতমদা করিগুম্বা য়ান্ন চেরোল অমত্তা রেজিষ্টর তৌরোই। করিগুম্বা তৌবা তারবসু অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা তৌবা য়াগনি অমদি হায়রিবা মীওই অদু মণিপুরদা লৈবা মীওই অমা ওইবা চংই।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী সমারাম ময়াই লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ সোরেপাগী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অসিদগী নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী মরু অনি, দমি গন অমা, পিষ্টোল হোষ্টর অমা, মোবাইল ফোন অমসুং আধার কার্দ ফংখি।

জিলা অসিগী মনুং চনবা ইচম খুনৌদগী প্রিপাক প্রোগী মীওই অমসু ফাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অহুমসু খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎখি।

পাউ অসিনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অককবা পাউ ফংবদগী চীংগী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী মোনবুং রিটচকী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরি ফাগৎখি। চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা এম-সিক্সতি রাইফল অমা, এম.এ-ৱান রাইফল অমা, ইন্সাস রাইফল অমা, নাইন এম.এম-এফ.জি.সি এম.কে-টু রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল ৩৭, দবল বেরেল অমা, পিষ্টোল ১১, লেথোদ অহুম, পোম্পী ২৮ পুন্না নোংমৈ ৮৭ অমদি নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা

ঙমলে। রেদিও সেট ২৩ অমদি অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মীয়ামসু তেংবাংবীনবা চেরোল অদুনা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা মণিপুর পুলিসনা ফৌগাকচাও ইখায় বজারদগী মীওই অমা ড্রগকা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু তেরা খোংশাংবা গ্রামপঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৱানদগীনি। মীওই অদুদগী গ্রাম ১৫৩ রোমগী হিরোইন ফংখি।

জিএসটি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী মতাংদা নৌনা লৌখৎলকপা খোঙথাং-নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্মনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

৫৬ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা জি.এস.টি. কাউন্সিল অসিনা মীয়ামনা নোংমদা মপুং ওইনা শিজিন্নরিবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা টেক্স হন্থহল্লে।

চান্দেল (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা সেপ্তেম্বর ১৭ তগী ওক্তোবর ২ ফাওবা চথগদবা সেবা পর্বাগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার চান্দেলনা শিন্দুনা মহা এরিয়া চীফস এসোসিয়েসনগী হোলগী অকোইবদা উ চারা কয়া থাখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা উমং অমদি লম্লক্কী শা উচেকপু ঙাকপী শেনবীনবা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমসু চৎখি।

থৌরম অদুদা ২১ শুবা অসাম রাইফলসকী কর্নেল ডাঃ এম.দি. আকবর, দি.এফ.ও চান্দেল ডাঃ এন. মুনাল, য়ুনাইতেদ কলেজ চান্দেলগী রিটায়ার্দ প্রিন্সিপাল ডাঃ বি.দি. থুমদাল অনাল শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডাঃ এম. মুনালনা চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা সেবা পর্বা অসিদা মীয়ামসু শরুক য়াবীয়ু। থৌরম অসি ইমা লৈবাকপু নুংশিনা সেবা তৌবগী পালন অমনি। পনবা য়াবদি, থৌরম অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ওক্তোবর ২ ফাওবা চান্দেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ-চারা থাবা অমদি মীয়ামগী খোঙচৎনচিংবা পাঙথোক্কনি।

সেবা (এল)ঃ  প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চহি ৭৫ মপুং ফারকপদা লৈবাক অসিগী নাগরিক কয়ানসু শ্রী মোদিগী লৈঙাক সাসন অসিনা মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎনরক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংবু শিংথাদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা সেবা পর্বগী থৌরম অসি নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্লি। প্রধান মন্ত্রিগী থবক থৌরমশিং শিংথারদুনা লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওই কয়া অমনা শ্রী মোদিবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

নিরমালা ঃ  কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নরমালা সিতারমন্না হায়রি- হন্দক নৌনা শেমখিবা জি.এস.টি অসি মরুওইনা লৈবাক অসিগী টেক্স অমসুং রেভিন্যুগী সিষ্টেম লাইথোকহন্দুনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা পীনবনি।

নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মস কমিতিনা শিন্দুনা ঙরাং কোলকাতাদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা জি.এস.টি অসি চহি ৮ গী মমাংদা লৈরম্লিবা জি.এস.টিগী চৎন কাংলোনশিং অদু অমুক হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা পীগদবা মওংদা শেমদোকপনি। মসিনা টেক্স থিবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা ইনকম টেক্স এক্টতসু হেন্না লাইথোকহল্লগনি। মহাকা হায়- অনৌবা জি.এস.টি অসিনা লৈবাক মীয়ামদা কান্নবা পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হায়রিবা অনৌবা চৎন কাংলোন অসি লাক্লিবা দুর্গা পুজা মমাংদা লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌগনি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকবা, লুপা কোতি ১৪৩ হেনবগী ড্রগ ফাগৎখিবা অমসুং রাজ্যপালনা নেসন ফার্ষ্ট কেম্পেন হৌদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। তুরেল ঈশিংগী ঈমায় হন্থরক্লবসু অকুৎপা মফমশিংদি ঈশিং থুন্লি, ঙা ফাবা লাকপদা ত্রাফিক জার্ম থোক্লে হায়বা

পাউনা অহানবা হেদলাইন থোক্লে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈশিং ঈচাউ থোকপগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মিজোরমদসু মণিপুরদসু ড্রগ ফাগৎপা লেপতে, ক্রোর ১৪৩ রোমগী ফাগৎখি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা গভর্নরনা নেসন্স ফার্ষ্ট কেম্পেন হৌদোকখ্রে, নহা অমদি নুপীশিংনা কেম্পেন অসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়বা গভর্নরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। কেম্পেন হৌদোকখিবগী পাউ অসি সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিলকল অমসুং মোর্নিং বেলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল হাইৱেদা ফ্রি মুভমেন্ট য়াহল্লু হায়দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী য়াম্লবা খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা আই.এমগী কাদরনি চিংনবশিংনা মীহাৎ থিনা হাৎখিবা অকোইজম নোংঙানবগী কেস লৌখৎলু হায়বদা এন.আই.এনা মরৈ তৌদুনা লৈরব্রা হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। হাই কোর্টনা মণিপুরগী সিভিং অমসুং ফোরমর এম.পি-এম.এল.এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেস হায়বা হেদলাইনগা লোয়ননা এম.এল.এ ৬ অমসুং এক্স-এম.এল.এ মরিগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৈরি হায়বগী রিপোর্ট অমুক্সু পীখৎলক্লে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা কে.এন.এগী কাদরশিং ওতো দ্রাইভর অমা ফুরল্লে, নাগা বোদিশিংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস

অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এস.দি.এস.এনা স্কুল, কলেজশিংগী ওইবা সাইন্স একজিবিসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী এম.পি. লোরহো ফোজেগী ৱাফম এন.পি.এফনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা তমেংলোং টাইমসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------